# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-10-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৫-১০-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**টোঙ্ক (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী অচৌবা ফুরুপ অহুম- মীতৈ, নাগা অমসুং কুকিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদা ঙসি নুংথিল ৱারী শানবা কেন্দ্র সরকারনা কৌরকখ্রে।

চহী অমা মখায় হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং লোয়শিন্নবা কেন্দ্রনা লৌখৎলকপা অখন্নবা খোঙথাং অমা ওইনা গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিং ৱারি শাননবা খঙহল্লকখিবনি। মদুগীদমক ঙরাং রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিং দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মদুগী মনুংদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন, শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমার, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই অমসুং এন.পি.এফগী এম.এল.এ- লোসি দিখো য়াওরি। খোঙচৎ অদুগা মরি লৈননা মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়- মখোয়বু ৱারী শান্ননবা কৌরক্লিবা অসি চপ চাবা মরম খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুবু রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি হেক হৌরকপদগী শান্তি পুরকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। ৱারী শাগদৌরিবা অসিদা হিরম অসিগী মতাংদা খন্নদুনা শান্তি পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি। পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন-থ্রী দা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুন্বগী থবক চৎথবদা কে.সি.পি নোংদ্রেনখোম্বা গ্রুপকী মীওই ৭ কা লোয়ননা গারি অমদি খূৎশু খূৎলায় কয়া ফারে।

মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, তোঙান তোঙানবা নম্বর প্লেট মঙা য়াওবা কার ফোরচ্যুনর অমা, অতোপ্পা কার অমাগা লোয়ননা মোবাইল ফোন অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম অমসুং নেসনেল হায়ৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিল থৌরাং মরক্তা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারি ৫০০ হেন্না ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি। লোয়ননা, তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পুন্না চেক পোইন্ট ১০৯ হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি হায়রি।

**খুরখুল (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা খুরখুল প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা মশক খংদবা মীওই খরনা অশিবা মীওই অমা থমজিল্লম্লে হায়রি। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং মশক খংদবা মীওইশিং অদুনা চহী ৪০ রোমগী লেং ওইগদবা চৈফম তানা ফুবগী দাগ লৈবা মীওই অদুগী হকচাং অদু খুরখুল প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা পুখৎলম্লগা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌরে হায়রি।

**সনাজাওবা(এল)ঃ** পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিতি ওন লেবর, তেক্সতাইলস অমসুং স্কিল দেভলপমেন্ট ২০২৪-২৫গী অহানবা মীফম ঙরাং নিউ দিল্লিদা লৈবা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কম্মিতি অদুগী মেম্বর ওইরিবা রাজ্য সভাগী এম.পি.লৈশেম্বা সনাজাওবা শরুক য়াখি। এগজামশিংগী সবজেক্ট খনবগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা খন্নখি হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ইন্টরনেসনেল টেলিকম্যুনিকেসন য়ুনিয়ন আই টি য়ু-ৱার্ল্ড টেলিকম্যুনিকেসন ষ্টেন্দাদাইজেসন এসেমব্লি (দব্লিউ.টি.এস.এ)২০২৪ হৌদোক্লগনি। নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেস ২০২৪ শু হৌদোক্কনি। ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা আই.তি.য়ু-দব্লিউ.টি.এস.এ গী মীফম অসি ভারত অমদি এসিয়া পেসিফিক লমদমগী ওইনা ইহান হানবনি। মালেমগী ওইবা অচৌবা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৯০ দগী লাকপা ইন্দষ্ট্রি লিদরশিং, পোলিসি মেকরশিং অমসুং তেকোলোজি এক্সপার্টশিং শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা লাক্কদবা চহীশিংদা ওইরকপা য়াবা অনৌবা তেকোলোজিশিংগী মতাংদা খন্নগনি। মদুগী মনুং চন্না সিক্স-জি, আর্তিফিসিএল ইন্টলিজেন্স(এ.আই), আই.ও.টি বিগ দেতা অমসুং সাইভর সেক্যুরিতিনচিংবা য়াওরি।

**জয়সঙ্কর ঃ** সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন সম্মিট শরুক য়ারুনবা মপালগী থৌরম মন্ত্রি এস.জয়সঙ্কর নুমিৎ নিনিগী খোংচৎতা ঙসি ইস্লামাবাদ চৎলগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা চহী মাপলগী মতুংদা মপাল থৌরম মন্ত্রি অমনা মফম অদুদা চৎপা অহানবা ওইরগনি। সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন অসিদা ভারত য়াওনা ইরান, কাজকষ্টান, চাইনা, কিরগিজ রিপব্লিক, পাকিষ্টান, রসিয়া, তাজাকিষ্টান অমসুং উজবেকিষ্টান য়াওরি। মীফম অদুদা লৈবাকশিং অসিগী ওইবা রাজনিতি, লল্লোন ইতিক, রিসর্শচ, তেকোলোজি অমদি কলচরগী মতাংদা মরি ফগৎনবা হোৎনগনি।

**কেনাদা ঃ** কেনাদাদা লৈবা ভারতকী হায় কম্মিস্নর অমদি অতোপ্পা এনবোইশিং লৌথোকখ্রবা তুংদা ভারত্তা লৈরিবা লৈবাক অদুগী দিপ্লোমেট তরুক ভারত থাদোক্তুনা চৎনবা খঙহনখ্রে। মখোয়শিং অদু থা অসিগী ১৯ গী নুমিদাং পুং ১২ গী মমাঙদা লৈবাক অসি থাদোক্কদবনি হায়না কেন্দ্র সরকারনা খঙহল্লি।

মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না হৌজিক লৈরিবা কেনাদাগী সরকার অসিদা থাজবা লৈত্রে। মফম অদুদা লৈরিবা ভারত কী হায় কন্মিস্নর অমদি এনবোইশিং লৈবদা শাফগদবা মফম ওইদবদগী মখোয়শিংবু লৈবাক অদুদগী লৌথোকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা ভারত্তা লৈরিবা কেনাদাগী দিপ্লোমেটশিং অদু লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখিবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মনিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহন্নবগী পান্দমদা মৈতৈ, নাগা অমসুং নাগা লেজিসলেচর ৱারি শাননবা দেল্লিদা কৌরকখিবগী পাউ অমদি সেক্যুরিতি গী অপুনবা কাংবুনা কে.সি.পি নোংদ্রেনখোম্বগী মীওই-৭ ফাবগী পাউ ঙসি ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা মরু ওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমাইদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙনরি।

মৈতৈ নাগা অমসুং কুকি লেজিসলেচর দেল্লিদা ৱারি শানবা কৌরকপগী পাউ সেনাপতিদা ফোঙবা হিলশ হোর্নবিল এক্সপ্রেশ, তামেংলোং দা ফোঙবা গানফিউ মেল অমদি তামেংলোং তাইমসকীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মিনিষ্টর এমএলএশিং দিল্লিদা চঙশিন্নরবসু কুকিশিংগীদি খঙদ্রি হায়না সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

শেল খায়বগা মরী লৈনবা কেসতা ফারবশিং এন.এস.এ পানগদৌরি হায়বা পাউ সনালৈবাককী পাউচেদা ফোঙলি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চহী ৫ চূপনা থল্লককিবা প্রসিদেন্টস রুল লৌথোকখ্রে- কোংগ্রেসকা চৎমিন্নবা ওমর অব্দুল্লাহনা লূচিংবা লৈঙাক লিংলগনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী পাউচেদা ফোঙলি।

শকখঙদবশিংনা ফু-চৈবা তৌদুনা শোকপদগী পিঐচ সিদা পুখৎলম্বা মীওই ১ লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা ফোঙলি।

শির্লি রোাই ইনিন্দয়ান এম্বাসিদা মীহুৎ ওইনা অমুক্কসু হাপখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেসকী পাউচেদা ফোঙলি।